# সেন্টরগী মীহুৎশিং য়াওনা জোইন্ট সর্ভে পাঙথোকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, দিসেম্বর ৭ :*** ৱাথোক ওইরিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিং অসিগী মতাংদা ওল পোটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন্না ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর উন্নরুবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম্না লুচিংদুনা ভারত সরকারগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পুন্না বোর্ডর ফেন্সিং খারিবা মফম অদুদা চৎতুনা জোইন্ট ইন্সপেক্সন অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী জোইন্ট ইন্সপেক্সন অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মায়কৈদগী জোইন্ট সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট শ্রী শম্ভু, জোইন্ট সেক্রেটরি বোর্ডর (মেনেজমেন্ট) এস কে মিশ্রা, ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ সভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়া শ্রীনিভাস অমসুং কে কে দাস সরকার, বি আর ও সেৱাক প্রোজেক্টকী চিফ ইঞ্জিনিয়ার ভি কে অগরৱাল য়াওখি। অদুগা ষ্টেটসিগী ওইনসু বিজেপি অমসুং এমপিপি য়াওদবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং য়াওখি।

জোইন্ট টিম অসিনা হোলাইফাই ভিলেজগী বোর্ডর পিল্লর নম্বর ২৩ টামিল শঙ্গম মনাক্কী বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৭৭, ২১ মুসলিম বষ্টিগী বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৭৯ অমসুং গোভাজাং ভিলেজগী বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৮০ গী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা জোইন্ট সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স শ্রী শম্ভুনা হায়খিবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মারেদা হৌজিক খারিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী লৈরিবা ইশু অসি দিপ্লোমেটিক লেভেলদা ম্যান্মারগা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। হৌজিক লৈরিবা বোর্ডর ইশু অসি সেক্সন অনি থোক্না হায়বদি, বোর্ডর ফেন্সিং অসিনা হান্না মণিপুরগী লমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা খুলগী ময়াই ফাওনা খাদুনা অনি থোক্না খায়দোকপা অমসুং অতোপ্পা অমনা বোর্ডর পিল্লরগী চমম্নবা অসিনি। লৈরিবা ফিভম অসিদা করি তৌরগা ৱারোইশিন অমা লাকপা য়াবগে হায়বদু য়েংগনি। করিগুম্বা মসিদা পোজিটিভ ওইবা ফিভম অমা লাক্তবা তারগদি ইশু অসি লৈবাক অনিগী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। ৱারী শানবা অসি থা অসিগী অরোয়বা শরুক্তা নত্রগা মথং চহীগী অহানবা শরুক্তা ওইরবা য়াই।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী ইশু অসি ইন্দো-বংলা অমসুং ইন্দো-পাকিষ্টান বোর্ডর ফেন্সিংগা য়েংনবদা য়াম্না চয়েৎনৈ। ইশু অসিগী মতাংদা মীফম কয়ারক পাঙথোকখ্রে। লোয়নননা ম্যান্মার ওথোরিটিশিংদা কয়ারক হন্না বার্তন তৌখ্রে। অদুম ওইনমক ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ইশু অসিগা মরী লৈননা হিরম অসিগী মতাংদা নীংথিজনা মমুৎ তানা খঙবা ওথোরিটি অমত্তা লাকখিদে। মরম অদুনা ইশু অসি ৱারোইশিন অমা লাক্লবগীদমক গিফ এন্দ টেক পোলিসি অমদি মখাদা ৱারেপ লৌরগনি।

ইশু অসি মরুওইনা নাকল অনিমক্তা মরুপ মপাং ওইবা মওংদা ৱারী শানদুনা শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। মরমদি ম্যান্মার লৈবাক অসি মরুপ-মপাং ওইবা য়ুমথংননা লৈবা লৈবাক অমনি। লোয়নননা বোর্ডর ফেন্সিং অসিদা অয়েৎপা অপনবা পীবা অমসুং অকি তুজুং পীবগী ৱাথোক অমা লৈরিবা অসিসু কিহন খঙহনবগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিসু ইন্দিয়ান সাইদতগী ম্যান্মার গভর্নমেন্টতা পুখৎতুনা ৱারী শানরগনি। দরকার লৈরবদি ম্যান্মারদা ‘জিরো’ পোইন্টতগী জোইন্ট সর্ভে অমা পাঙথোক্লবা প্রেসর তৌরগনি হায়খি।

জোইন্ট ইন্সপেক্সন টিম অসিবু লুচিংলিবা শ্রী গাইখাঙম্না খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা হায়খিবদা ভারত সরকারনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিবু থাগৎলপা ফোঙদোক্লদুনা ঙসিগী ইন্সপেক্সন অসিনা পোজিটিভ ওইবা রিজন অমদি লাক্লগনি। লোয়নননা মণিপুর মীয়াম্না আশা তৌরিবা ফিভম অসিদা ইশু অসি সেট্টল তৌরগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি। অমরোমদনা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খিবদা, জেনরেল পব্লিক, সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং অতোপ্পা এজেন্সিশিংদা বোর্ডর ফেন্সিং ইশু অসিগী মতাংদা নেসন অসিগী ইন্টরেষ্টতা অকায়বা থোক্কদবা থৌদোকশিং অমা হেক থোকপা মতমদা মদুগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পাউ পীনবসু খঙহনখি। লোয়নননা অসাম রাইফলস, ষ্টেট ফোর্স অমসুং লো এনফোসিং এজেন্টশিংদা এলর্ট ওইনা লৈনবসু খঙহনখি। খোঙচৎতুগা মরী লৈননা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ লেন্দ ইন বোর্ডর ফেন্সিং মণিপুরগী অমসুং ইচমগী মায়কৈদগী সেন্টরগী ওফিসিয়েল টিম অদুদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি হায়রি।